থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ক্রিয়েতর অমসুং ক্রিয়েচর

নহান য়ুমশকৈশা নুমীৎ, জুন ১৫দা তমখিবা পাউদম, চোইরোল ওই পারোল ওই ইখিবা ৱাহৈ খরদুনা, ইহৌদ্রবা/ তমহৌদ্রবা ৱাখল মখাক খরা পূক্লিংসিদা থম্লম্বগুম তৌরকই। হায়ফম-তম্ফম খঙদবা, ঙাইহাক্তুদা পূক্লিংদা ফাওরকপা ইথিল অমনা ইনশিন্দুনা ইখিবা, মায়কৈ লেপফম খঙদবা লমখায় অমদা লেপ্লগা, মাঙদা-তুংদা-য়েৎতা চৎলিবা লম্বী চৎপশিংদু য়েংলগা, ইশাদা অমুক-হঞ্জিন্দুনা য়েংনবা হোৎনরুবনি। শেংনা উবা ঙমখিদে, রিঅলিতি মশক খঙ'ঙমখিদে। অদুননি-চোইরোলগুম্বা, মকোক-মমৈ শম্নফম খঙদবা ৱাহৈ পরেং খরা ৱাখলসিদই থোকখ্রিবা। খল্লুবনি- ইথোকখ্রগা লৈতারক্কদ্রা ! ঐগী ৱাখল লাল্লমখি। করিনা করিনো খঙদবা- নিউরোতিক ওইবা মাইন্দ সেত অদুদি লেঙদনা অদুম লৈরম্লি। থাজ দে- চক্রব্যুহ'গুম্লবা ৱাখল চাইগোইনুংসিদগী পাক হেক থোকপা ঙমগনি হায়বা। থোক্কে হোৎনরুরগা হেন্না হেন্না মনূং চঙশিনখিবগুম তৌরকই। অদুননি, ফোঙদোকহৌদ্রবা ৱাখল মখাক অমা লৈহৌবগুম তৌদুনা মখা তানা ইনীংলক্তুনা ইরিবা।

হৌখিবা চহীচা (কুনশুবা)দু মীওইবগী মোদর্ন-হিষ্টরিদা য়াম্না মরুওইবা তাঙ্কক অমনি হায়নীংই। মালেমগী অহানবা, অনীশুবা লাঞ্জাও, ৱর্ল্ড-ৱার-ৱান অমসুং টু-অনীমক থোকখিবনি মতমদুদা। মালেমসিবু সর্বনাস সানা পূম্মাঙ মাঙহনবা ঙম্বা নিউক্লিয়র-ৱিপনগী ৱা, মতমদুদই ঙাঙনরকখিবনি। বুদ্ধ, মহাবীর, জিসসকুম্বা মী থোক্লকপগী মহুত্তা এদোল্ফ হিতলর, বেনিতো মুসোলিনি, জোসেফ ষ্টেলিনগুম্বা মী থোক্লক্তুনা মখোয়না ইতিহাসকী মরুওইবা লামায় কনখ্রিবনি। মখোয় মরুওইবা মীশক, ভেরি ইম্পোর্টেন্ট পর্সন (ভি আই পি) ওইরকখি। করিগী? মখোয়, মখোয়গী মথক্তা কনা অমা লৈত্রবা, পূমঙম ঙম্বা ওথোরিটি অমগুম ৱা ঙাঙই।... 'নখোয়, নশানা নশাবু খঙজদ্রবা, নশাবু থাজবা ঙমদ্রবা, তোল্লবা মীশক ঙাক্তনি... ঐগী ৱানা অরোইবনি, ঐনা হায়বা খূদিংমক নখোয়গীসু নৱাহৈনি... করিমত্তা হায়গনু, ঐগী তুং ইল্লকউ'... মখোয়গী চীনবান্না নত্তবা, মীৎয়েং-নায়েং-ইঙ্গিৎনা, মখোয়গী বোদি লেঙ্গুয়েজ'না হায়, য়াম্না ময়েক শেংনা। লাইরিক হৈবা, লৌশিং-হৈবা-প্রোফেসর, ফিলোজোফর, সাইন্টিষ্ট, থিঙ্কর পূম্নমক-য়াথংদু ইন্দবা ঙমখিদে।

অদোম করিগুম্বদা খন্থবীখ্রবরা... ৱাখল য়াওদবা পোলিটিসনশিং অসিনা ৱাখল লৈবা প্রজা লীশিং কয়াগী মথক্তা ঙম্না পাল্লিবা, মখোয়গী লুচিংবা ওইরিবসি করিগীনো? ঙসিতগী ৱা নত্তে, আ মমাঙঙৈগী মতমদগী লৈপাক ঙাকপা (পোলিটিসিয়ন)শিংসিনা খল্লকই- ৱাখল লৈবা, লাইরিক হৈবা, অশিঙবা প্রজাশিংগী লুচিংবা ওইবা হায়বসি থোইনা অরুবা নত্তবা, ইরায় লায়বা থৌওং অমনি। হায়নীংবতা হায়বা, তৌনীংবতা তৌবা, দিক্তেতর হায়না খঙনবা লৈঙাকপা মখল অমা থোক্লকখিবদগী লৈঙাকপশিংগী মরমচৎ হোংলকখিবনি। দেমোক্রেসি চৎপা লৈপাকশিংদসু দিক্তেতরগী মরমচৎ চেনবা লুচিংবা থোরকখি। পোলিটিকল লীদরশিংনা দিক্তেতর ওইরকপগী মরম, অমখক্তনি। মখোয়না খঙই- মহাক্কী প্রজাশিং লাই অমসুং লাইগী পুজারীশিং, পুরোহিত/ইমামশিংগী মতেং য়াওদনা হিংবা ঙমদে... মনীং তম্না ৱাখল খনবা ঙমদে... হিংলিবা পুন্সিদুমকফাও' মশাগী ওইদে। অসূম্না, চমম্নরবা প্রজাশিংনা লৈপাক থন্না লৈরক্লবা মতমদুদা, শোয়দনা লাকই হিতলরগুম্বা লৈঙাকপা অমমম। খ্বাইদই শিংবা, খ্বাইদই চাউখৎপা লৈপাক অমনি হায়নরম্বা, জর্মনগুম্বা লৈপাক অমদা 'এদোল্ফ হিতলর' পোকখিবা- এক্সিদেন্টেল নত্তে, লাইগী নোংদমসু নত্তে। সাইন্টিষ্ট, প্রোফেসর, স্কোলার, থিঙ্কর, ফিলোজোফর কয়ানা থন্না লৈরিবা জর্মন ! হিতলরগুম্বা অঙাওবা-রুল্লর অমগী খুত্তা তাখ্রিবা করিগীনো? মরম ! ইচম চম্মী। সাইন্টিষ্ট/প্রোফেসর/স্কোলার খুজোক খরদুনা, সিং-ফাওবা মশীং য়াম্বা জর্মন-মচাশিংদুনা হংবা ৱাহংশিংগী 'রেদি-মেদ অন্সর' পীবা ঙমদে। হিতলরনদি পীবা ঙম্মী। মখোয়না হায়বা ৱাদুসু 'মুরুম-মুরুম-শোনব'না নক্কনা লৈবা কনান'ফাও তা'ঙমদে। হিতলর'না হায়বা ৱা'দুদি লাউনা-খোংনা হায়বনা অথাপ্পদা লৈবা মহাক্তুনসু তায়-হৌনা, ময়েক শেংনা। হিতলরদি শোম্থাংননা হায়দে। হায়রক্লিবা ৱাদুসু, খন্ননীংঙাই ওইদবা 'নন-সেন্স'নি হায়বা খঙলবসু তায়, তাননবা হায়বনিনা। লৌবা য়াদবা/তাবা য়াদবা ৱা, নন-সেন্স'নি খঙলবদু 'ৱিথ-কনফিদেন্স', তাহন্নীংবশিং তাননবা হঞ্জিন হঞ্জিন হায়রক্লবা, অচুম্বগুম খল্লকই। হিতলরগী মতুং ইন্নখি। জর্মনখক্কী ৱা নত্তে। লৈপাক কয়াগী পুৱারীদা, লৌশিং শিংবা, ইন্টেল্লিজেন্ট ওইবা মী কয়া, বুদ্ধি শোইরোম্বা লৈঙাক-লুচিংবশিংগী তুংইনবা ওইখিবগী ৱারী থেংনরকই। ইন্দিয়াদসুনি। ঐখোয়গী ইরৈপাক মণিপুরদসু। ঐখোয়গী ইথক্তা ঙম্না পানখিবা লুচিংবশিং ! নীংশিংদুনা য়েংসি অমুক্তং- মখোয়গী ইন্টেল্লিজেন্স ! মখোয়গী থৌরাঙ ! তৌফম থোকপা তৌরমদবশিং ! চানক্যগী পাউতাক তারগা লৈপাক ঙাকখিবা 'চন্দ্রগুপ্ত'গুম্বা লৈঙাকপদি লীশিংগী মরক্তা অমত্তনি। লুরিবদি, চানক্যগী মতমদুগা ঙসিগী মতম অসিগা, মীরোল অনীসিগী ৱাখল্লোন খেন্নরকপা অসিনি। মতমদুদা পুন্সিগী মশক, মমল অমদি ৱাহন্থোক- চপ চানা, কনাগুম্বা অমনা লেপথোক্লম্মী। মহাক্কী ৱাহৈদুমক অচুম্বনি... মহাক্না তাকপা মায়কৈদু খক্তদা চৎকদবনি... মদুমক পন্থুং য়ৌগদবা লম্বীনি...। কনানসু শীংনখিদে। ঙসিগী মীরোলসিদনা... 'পুন্সি হায়বসিগী মশক, মমল অমদি ৱাহন্থোক কনানসু চপ চানা হায়'ঙমদে... পূম্নমক মশানা লেপচগদবনি, মশানা শেমজগদবনি'...। কয়া শাথীনা খেন্নরবা।

কনাগুম্বা অমগী পুন্সি-ফিদম লৌরগা, মাগী মতৌ তম্লগা, ঐগী পুন্সিগী ৱাহন্থোক থিবা ফংলোই। ঐগী পুন্সি-মমল নিরুগদবা নত্তে কনাদগী। সেঞ্চুরি কুনমঙাগী মমাঙদনি নোংদোনথক্তা মাগী মপা ইবুংঙো, মাবু শেন্বীবা অমা ফমদুনা লৈতে, মহাক্কী পুন্সিবু শেমজবা 'ক্রিয়েতর'দু মহাক্লি হায়রুবগী, মাবু হাৎকে তান্নখিবা মাগী লৈঙাক মপুনা। গৌতম বুদ্ধ-মীচেন ওইনা লোৎখিদে। লৌখিবা ফিরেপ হোংদনা লেপখি খোঙফম চেৎনা। ৱাখলদুগী সিগ্নিফিকেন্স- খঙনরক্লি ঙসিতা।

লৌশিং পুক্কে

# লৈবু লৈমিন্নরবদি মৈখু

## শীজিন্নবা মীসু শীজিন্নদবা মীসু পুন্না শোকমিন্নে



মৈখু শীজিন্নবনা কেন্সর, থম্মোয়গী লায়না অমসুং লংসতা অমাঙ-অতা থোকহল্লকপখক নৎতনা ফর্টিলিটি মাঙহন্দুনা অঙাং ওইবা ঙমহন্দে হায়বা রিছার্সরশিংনা থিজিনবদগী খঙলে।

বফেলোদা লৈবা রোজৱেল পার্ক কেন্সর ইনষ্টিট্যুটকী দেনিয়ল স্মিথ অমদি মহাক্কী কাঙবুনা হায়খি, মপুন্সিদা মৈখু শীজিন্নরক্তবা নুপীশিংনা চাংদম্নদুনা য়েংবদা কা-হেন্না মৈখু শীজিন্নবা অমসুং নহা ওইনা মৈখু শীজিন্নরকপা নুপীশিং চহী ২ ঙনখৎনা থাগী খোঙকাপ লেপখি।

'টোবেকো কন্ট্রোল' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা রিছার্সরশিংনা হায়খি, মশামক মৈখু শীজিন্নদবা তারবসু অয়াম্বা মতমদা মৈখু শীজিন্নবা মীগী মনাক্তা লৈবদগী নিংশা শ্বর হোঞ্জিনবদা মৈখু য়াওখিবা নুপীশিং থা ১৩ ঙনখৎনা থাগী খোঙকাপ লেপখি হায়বা খঙলে। কুমজা ১৯৯৩ দগীনা কুমজা ১৯৯৮ ফাওবগী মরক্তা ৱিমেন'স হেল্থ ইনিসিয়েটিব ওবজার্ভেসন ষ্টদিগী শরুক অমা ওইনা নুপী ৯৩,০০০ গী মরমদা থিজিনখি।

মপুন্সিদা চুরূট মচৈ ১০০ নৎত্রগা মসিদগী হেন্না থক্লকপা নুপীশিং ইনফর্টিলিটিগী রিস্ক চাদা ১৪ হেনগৎলকই অমসুং মশাগী চহী ৫০ শুদ্রিঙৈদা থাগী খোঙকাপ লেপখিবা য়াবগী রিস্কনা চাদা ২৬ হেনগৎলকই হায়বা ষ্টদি অদুদগী খঙবা ঙমখি। মৈখু শীজিন্নবনা থাগী খোঙকাপ ঙন্তানা খমহল্লি হায়বসি মমাঙদা পাঙথোকখিবা অতৈ ষ্টদিশিংদগীসু খঙবা ঙমখ্রবনি।

কনাগুম্বা মীওই অমনা মশামক মৈখু শীজিন্নদবা তারবসু অয়াম্বা মতমদা মৈখু শীজিন্নবা মীওই অমগী মনাক্তা লৈবা তারবদি মদুবু পেসিভ স্মোকিং হায়না খঙনৈ। নুপী অমনা মৈখু শীজিন্নবা মীওই অমগা লোয়ননা চহী ১০ চুপ্পা ইমুং অমত্তদা পুন্না লৈমিন্নবা নৎত্রগনা মৈখু শীজিন্নবা মীওই অমগা পুন্না চহী ১০ থবক তৌমিন্নরকপা তারবদি মীরোনবা ঙমদবগী রিস্ক চাদা ১৮ লোম হেনগৎলকই। ষ্টদিদা শরুক য়াখিবা নুপী চাদা ১৫ রোম চহী চুপ্পা মীরোনবা ঙমদবগা লোয়ননা নুপীগী চাদা ৪৫ দি মশাগী চহী ৫০ শুদ্রিঙৈদা থাগী খোঙকাপ লেপখিরম্মী।

নুপী ফর্টিলিটি রেট হন্থরকপগী মতাংদা চহী কয়াগী মমাঙদগী অখঙ-অহৈশিংনা য়েংনদুনা লাকখি। বোটল, কেন অমদি ৱাটর সপ্লাইজদা য়াওবা এন্দোক্রাইন দিসরপ্টর কৌবা কেমিকেলশিংনা থৌওং অসি ওইহল্লকপনি হায়না থাজনখি। অদুবু হায়রিবা কেমিকেলশিং অসি হীদাক মনাগী পোৎথোকশিংদসু য়াওই হায়বা খঙলকখি। রিছার্সরশিংনা হায়খি, চুরূটকী মৈখুদা য়াওবা টোক্সিনশিংনা ফর্টিলিটি সাইকলগা মরী লৈনবা হোর্মোন পুথোকপদা চাউনা অপনবা থোকহল্লি। মরম অদুনা অঙাং ওইবা ঙমহন্দবনি। হীদাক মনাগী পোৎলমদা য়াওবা কেমিকেলনা ইষ্ট্রোজেন (হোর্মোন) দা অকায়বা থোকহন্দুনা কনাগুম্বী নুপী অমবু মনুং মতম চাদনা থাগী খোঙকাপ লেপহনবনি হায়বসু রিছার্সরশিংনা খঙলকখি।

মৈখু শীজিন্নবনা নুপাদসু চাউনা অকায়বা থোকহল্লি হায়বা খঙলে। খুদম ওইনা নুপাগী 'ৱাই' ক্রোমোজোম শোকহল্লি। পূম্নমক অসি খঙনরকপদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা মৈখু শীজিন্নবগী চাং অসুম অসুম হন্থরক্লে। সেন্টরস ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সনগী রিপোর্ট মতুংইন্না কুমজা ২০০৫ দগী কুমজা ২০১৪ ফাওবদা য়ু এসকী মীওইশিংনা মৈখু শীজিন্নবগী চাং চাদা ১৬.৮ হন্থরকখি। হায়রিবা মতম অদুগী মনুংদা মৈখু শীজিন্নবগী চাং চাদা ২০.৯ ওইরম্বদগী চাদা ১৬.৮ দা হন্থরকখি। থবক মফম অমসুং মীয়াম তীনবা মফমদা মৈখু শীজিন্নবা থিংবদগী পেসিভ স্মোকিং নৎত্রগা সেকেন্দ হেন্দ স্মোকিংসু মপুং ফানা ঙাকথোকপা ঙল্লম্মী। য়াম্না শেংনা হায়রবদা মৈখু শীজিন্নবনা হকচাংগী কয়াৎ খুদিংমক শোকহল্লি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা চহী খুদিংগী মীওই মঙা শিবগী মনুংদা মীওই অমমমদি মৈখু শীজিন্নবনা মরম ওইরদুনা শিহনবনি। ইচম চম্বা মীওই অমগা চাংদম্নবা মতমদা মৈখু শীজিন্নবা মীওইশিং টাইপ-টু দাইবেটিস নারকপা য়াবগী রিস্ক চাদা ৩০ দগী চাদা ৪০ ফাওবা হেনগৎলকই। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ষ্টদিশিংদা মৈখু অমসুং হীদাক মনাগী পোৎলম শীজিন্নবনা শরূ পাথহল্লি হায়বা খঙলকখি। মৈখু শীজিন্নবা মতমদা ওষ্টিওপোরোসিসকী রিস্ক হেনগৎলকই। ওষ্টিওপোরোসিস হায়বসিসু শরূ পাথরকপদগী ইরায় লায়না তেক্লকপা য়াবগী থৌওংনি।

মৈখু শীজিন্নবা মতমদা ব্লদ সেলশিং অমাঙ অতা থোরক্তুনা হার্টকী মথৌদা অকায়বা পীরকই। মসিনা মরম ওইরদুনা ঈ উতোংদা নপ-নপ লাউবা মপং-মপং পৈশিল্লকপদগী এথরো-সক্লেরোসিস ওইহল্লকই। মফম খরদা ঈ উতোং চাউথোরক্তুনা পোকখায়র-কপদগী মী শিহনবা ফাওবা য়াই।

কোরোনরি হার্ট দিজিজ (সী ঐচ দি), হার্টকী অকোয়বদা লৈবা ঈ উতোং খূজিল্লকপা নৎত্রগা ফুঞ্জিল্লকপা, হার্ট এটেক, ষ্ট্রোক, থবাক নাবা, লংস শোক্লকপদগী চনিং তানা নিংশা শ্বর হোনবা ঙমদবা, ক্রোনিক ব্রোঙ্কাইটিক, ন্যুমোনিয়া, অজমা, ট্যুবরকুলোসিস, মীৎ উহলক্তবা অমদি অতৈ খুদোংচাদবা কয়ামরুম ওইহল্লকপা য়াই।

চুরূটকী মৈখুদা চাউরাক্লা কেমিকেল ৭,০০০ লোম য়াওই। মসিগী মনুংদা কেমিকেল ৭০ রোম্না কেন্সর ওইহল্লকপা য়াই। লংস কেন্সর ওইহল্লকপগী মতাংদা খ্বাইদগী মরুওইবা মরমদি মৈখু শীজিন্নবনি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা মৈখুনা হকচাংগী কয়াৎ খুদিংমক শোকহল্লি। লংস, ট্রেচিয়া, ব্রোঙ্কস, ইসোফেগস, ওরেল কেভিটি, চীনবাল নেসোফেরিংস, নেজেল কেভিটি লেরিংস, চাকখাউ, ব্লেদর, পেনক্রিজ, কিদনি, লিভর, য়ুটেরাইন সর্ভিক্স, কোলোন অমদি রেক্টমদা কেন্সর ওইহল্লকপা য়াবগা লোয়ননা ব্লদ কেন্সর (ল্যুকেমিয়া) সু নাহল্লকপা য়াই। তোঙান-তোঙানবা চুরূট মখলশিংগী মনুংদা হকচাং শোক্তবা অমত্তা লৈতে। মেনথোল য়াওবা ওইরবসু য়াওদবসু ওইরবসু চপ মান্নবা মওংদা হকচাং শোকই। কনাগুম্বা মীওই অমা নুমীৎ খুদিংগী মৈখু শীজিন্নবা মতমদা লংস অমসুং হার্টকী লায়না পোক্লকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলকই।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# 'গভর্ণমেন্টকী ফন্দ নীংথিনা শীজিন্নবীয়ু'



ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস): এম জি এন আর ঈ জি এসকী থবকশিংদা ভিলেজ চীফশিং অমদি গভর্ণমেন্ট ফঙ্কসন্নরিশিংনা য়াম্না শীংথানিংঙাই ওইবা থবক থৌরমশিং তৌরকপবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টকী ফন্দশিং ফজনা শীজিন্নদুনা লৈবাক মীয়ামগীদমক অমদি একাউন্টবিলিটি মেন্টেল তৌনবা হোৎনসি হায়না সিংহাট এ সীগী এম এল এ চিনলুন্থাংনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি সিংহাট এ সীগী মনুং চনবা সিংহাট টি দি ব্লোক, সুৱাংদো টি দি ব্লোক, সঙাইকোট টি দি ব্লোক, সামুলমলান টি দি ব্লোক অমদি সাইকোট টি দি ব্লোক্কী খনগৎলবা ভিলেজ ওথোরিটিশিংদা ৱার্ক সাইট ফেসিলিটি ওইনা পেরাচ্যুট ৱাটর ষ্টোরেজ টেঙ্ক অমদি মেগা ফোন য়েন্থোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি। থৌরমদুগী মনুং চন্না পৱন যাদবনা ফোঙদোকখিবদা, খুলশিং অসিদা লৈরিবা ভিলেজ ওথোরিটি অমদি সী এস ওশিংনা পুন্না হোৎনমিন্নদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা চাউখৎপগী থবক থৌরমশিং পায়খৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নসি। এম জি এন আর ঈ জি এসকী পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদসু অঙম-অঙম্বা মতেং পাংনবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তুং কোইনা কান্নহৌগদবা থবকশিং তৌহৌসি হায়নসু আপীল তৌখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা দি আর দি এগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর এস থিয়েনলালজয় গাংতে, দি আর দি এগী এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র ঙাংবম রাজেশ, প্রোজেক্ট ওফিসর সাঙ্গা, বি দি ওশিং অমদি মরী লৈনবা টি দি ব্লোকশিংগী মীওইশিংগা লোয়ননা দি আর দি এগী ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি।

# শিন্মী অমা থৌরী য়ান্দুনা শিরম্লে

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস): ঙরাং নুমীদাং পুং ৮ রোম তাবা মতমদা কুম্বী কোলেজদা থবক শুবা শিন্মী অমা কোলেজ অসিগী ইন্দোর ষ্টেদিয়ম হোলগী মনুংদা থৌরী য়ান্দুনা শিরগা লৈরম্লে।

লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিং লাইশ্রম অমরজিৎ এলিয়স থেকে (২১) অপোকপা এল ইবোচা কৌই। মহাক ন্যু কৈথেলমানবীদা লৈবনি। মহাক করি মরমগী থৌরী য়ান্দুনা শিরম্বনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অশিবা হকচাং অদু কুম্বী পুলিসনা লৌখৎলগা ঙসি রিমসকী মোর্গতা পুখৎলগা পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা মতুংদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা খুৎশিন্নখ্রে।

# লায়কন্নরকপা নুপা ১ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৬ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ১২গী নুমীদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তাবা মতমদা থাংমৈবন্দ দি এম কোলেজ রোদকী দোমিনো পিজা সেন্টর মনাক্তা খোঙনা লম্বীদা চৎলম্বা নুপা অমা মোটোর সাইকল বুলেট তোংদুনা লাকপা মীওই অনীনা থোম্বদগী শোক্তুনা রাজ মেদিসিটিদা পুখৎতুনা লায়কন্নরকখিবা অদু হৌখিবা অহিং নোংয়াইদা লৈখিদ্রে।

লৈখিদ্রবী নুপা অদুগী মমিং এস কে নমখাৱন (২০) অপোকপা এস কে মেথিয়ু কৌই। মহাক নোনে দিষ্ট্রিক্টকী খুমজি খুল পার্ট থ্রীদগী লাক্লগা হৌজিক্লা থাংমৈবন্দ তরুং খুলদা অশানবা য়ুম অমদা লৈবনি। থৌদোক অদুদা বুলেট থৌরকপা নুপা অদুসু শোক্তুনা রিমস হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। লৈখিদ্রবী নুপী অদু রিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা মতুংদা ইমুং-মনুংদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৭।০৬।২০২২ ইং, ইরাই ; অয়ুক পুং ৬.১১ ফাওবা
ইঙাগী ১৮নি পাল্লি, মতুং ১৯ পাল্লনি।

মেষ: হরাওবা নুংঙাইবা, পাইরক্কী লৌশিং হেনবা অমদি ইচঙ থৌবনা অফবা মফম কনবা ঙমজবা নুমিৎনি। মরুপ মপাং ফংগনি, শেন্দোং চাওনা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃষ: ৱা য়াম্না ঙাঙদবা অমদি নাপল তৌদবনা য়াইফগদবা নুমিৎনি। পল্লম্বা শেল-থুম ফংবা, ইমুং-মনুং পুন্না পাঙবা থৌরমদা মায় পাকচবা, থৌনা হেনগৎপা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

মিথুন: হকচাং নুংঙাইগনি, মীংচৎ ফংগনি, মরুপ মপাং লোয়নবা থবক্তা মায় পাকচগনি, তুংগী পোরম শীন্দোকপা হৈগনি। ৱাখল তান্নদবা খরদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবদি তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

কর্কট: নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংবা ঙসিসু লৈগনি। য়েক্লববু ঙমজদুনা হৈ-শিংনা থৌ পাঙবনা নথক থোংবনা থোইনা চানবীগনি। মরৌ লৈবা মীনদি তাথি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ: মীচঙ ৱাৎলোই, শেল ফংগনি, মীকোক থোংনবা হোৎনবা মায় পাক্কনি, অরিবা থবক পাঙবগী নুংঙাইজবা লৈ। অয়াম্বা থবক্তা মায় পাক্কনি-থাজৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

কন্যা: অশাওবা লোয়নগনু, খুৎ চাওগনু, চিন কনগনু-কান্নবা অমত্তা লৈরোই। অদুবু খাঙবা কল্লবা, নচা-ননাইগী ৱাসু লুম্না লৌরবা কান্নবা য়াম্না ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং লাংগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

তুলা: য়েৎনবা অমদি অখঙ-অহৈ তান্নবগী লমদা য়াওরুনু-চাং তাউ হায়বা লৈ। অঙম্বনদি চানবীগনি, মীংচৎ ফংগনি, তুংগী পোরম শীন্দোকপা হৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱাদি লৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: নুংঙাইবা পাউ তাগনি, নীংবা মপা চাগনি, অচুম্বনা চাওনা মায় পাক্কনি অমদি অফবা লৌশিং তানশিনবা ঙমজগনি। মীয়ামগা মরী ফবদি ৱাৎলি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

ধনু: থেংলপ্পা নীংবা থুংগনি, মীনা থাগৎপিগনি, থবক পাঙগনি অমদি হৈথোই শিংথোইগনি। ফিংবা অমদি মরম খঙদনা অনম তানবনা মাঙজবতা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথনা লৈবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

মকর: লাইবক ফবা, পুক্লিং হকচাং নুংঙাইজবা অমদি শেন্দোংসু চাওনা ফংগদবা নুমিৎনি। ৱাতা য়াম্না ঙাংগনু, হন্থবা লোয়নগনু, অঙম্বনা খরা য়েংশিল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা ঙাঙবা লাইদে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

কুম্ভ: নচাক নরল চাওখৎপা, অফবা লৌশিং ফংবা, নক্কবনা তেংবাঙনিংবা অমদি অফবা মরুপ ফংজবা নুমিৎনি। অফা-অপুনগী লমদদি নুংঙাইতবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিন: শেল ফংগনি, মচা-ননাইগী লমদা পুক্লিং পেঞ্জগনি অমদি মীয়াম্না তেংবাঙবীগনি। অনম তান্নবনা মরুপ কায়নবা, মীতোপ্পা নরলদা য়েংথিবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# থৱান





পুলিসনা পোৎ য়োনবা য়ারোই হায়না কোয়তান তানবদা চেল্লিবা পোৎয়োনবী ইমাশিং, পোৎশিংদো বোরা অমনবদা হাপচিল্লগা অমোৎপা মরক্তা লোৎলি। মরমদি চিংথোক্লগা হৈদোকখিদনবা